# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




কোনুং মমাঙগী এম এফ এস দি এসকী পেলেস ওদিটোরিয়মদা হৈগ্রুজম ফিল্ম প্রদক্সননা পুথোকপা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম 'লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলো' রিলিজ তৌবগী থৌরম্বু এম পি বিমোলনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকপা


থম্মোয় পাউদম : হোমকমিং অমসুং মতুং - ৩ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ পি পি পি (পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ) মোদতা ...

শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা চন্দ্র য়েন থাবা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ লাঞ্জেন্নরিবশিংগী মশা-মশাগী ময়ূম শানবা ...

হিমন্ত বিস্বানা গৌরব গোগোইগী 'পাকিস্তান লিঙ্ক' কেস... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টঃ এলেভেন ষ্টারনা...


নিঙোল ক্লব অমদি হ্যুমেনিটি সর্ভিস ফাউন্দেশননা ৱবিনা হোস্পিটালগা খুৎশম্নরগা ইকো নেটৱর্ক মণিপুরনা শৌগৎতুনা হেরোক পার্ট টু লিতানদা পাঙথোকপা ফর্ষ্ট এইদ ত্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিং




Vol. 50, Issue No. 302 | নিংথৌকাবা, ফাইরেনগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, February 09, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মণিপুরগী লানগী ৱারোইশিন পুরক্তবদগী মিজোরামদা লৈবা মীতৈশিংসু চৈথেং ফংলি

## ইম্ফাল ১সুং আইজোলগী মরক্তা দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈতবদগী মিজোরামদা লৈবা মীতৈ লিশীং ২ হেন্না অৱাবা মায়োক্লরে

**অথুবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্লা সিভিল এভিএশন মিনিষ্ট্রিদা তকশিনবীদুনা মহৌশাগুম্না দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈহনবীয়ু হায়না মিজোরামদা লৈবা মীতৈশিংনা ফোঙদোরক্লি**

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :** মথোং খঙদবা কুকি-জোগী মীওই খরনা মণিপুরদগী মখোয়গী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটরি (সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন) লৌগনি হায়দুনা মে ৩, ২০২৩দগী মীতৈদা অতম্লনা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা লান অসিগী ৱারোইশিন হৌজিক চহী অহুম ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্তবদগী মসিগী চৈথেং নংলিবা মীওইশিংগী



মিজোরাম এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টকী মখাদা থবক তৌদুনা চহী ১৮ হেন্না লৈরক্লিবা মীওই ১সুং মহাক্কী লোয়নবী

মনুংদা মরমদম মণিপুরদা লৈবা মীতৈশিং খক্তা নত্তনা মিজোরাম লৈঙাক্কী মখাদা তোঙান-তোঙানবা থবক তৌদুনা লৈবা অমসুং অতৈ শিনফম পাঙদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### শ্বর হোনবা নুংঙাইরক্তবদগী এম এল এ ভালটে দেল্লীদা লায়েংলুনবা এয়র এম্বুলেন্সনা পুখ্রে

## চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা উন্নহৌদুনা 'পু ভালটে নাবা ফরগা হল্লকউ, ঐনা নহাক হল্লকপা ঙাইখিগনি' হায়খ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লানগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোকপা মতম ওইখিবা নুমিৎ অমদা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টরনা কৌরকপা মীটিং অমদা শরুক য়ারুরগা ময়ূমদা হল্লকপগী লম্বীদা শকখঙদবশিংগী মোব অমনা তৌরকখিবা এটেকতগী ফীভম লুনা শোক্তুনা মতম শাংনা দেল্লীগী তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংদুনা লৈরকপদগী হকচাংগী ফীভম খরা ফগৎলক্তুনা এপ্রিল ১৮, ২০২৫দা চহী অনীগী মতুংদা চুড়াচান্দপুরদা লৈবা ময়ূমদা হল্লক্তুনা লৈরকখিবা এম এল এ ভুংজাগিন ভালটেগী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী ঙসি নুংথিল ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী এয়র এম্বুলেন্স অমনা দেল্লীগী মেদান্টা-দি মেদিসিটি হোস্পিটাল (গুরুগ্রাম)দা লায়েংলুনবা এয়র এম্বুলেন্স অমনা পুখ্রে।

এম এল এ অসিবু ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী এয়র এম্বুলেন্স অমদা লায়েংলুনবা পুখ্রে হায়বগী



চুড়াচান্দপুরদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখিবা এম এল এ ভালটেবু চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা এম্বুলেন্স মনুংদা উন্নবা

পাউ ফংবদগী পাউচে অসিনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা দিপ্লোই তৌবা পুলিস পর্সনেল অমদা হংলুবদা এম এল এ অসি ঙরাং নুংথিল চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা এদমিট তৌরখিবনি। লায়েংশঙ অদুদা মহাক এদমিট হেক তৌরকপগা পন্থদনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টরনা থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী য়াওনা শেমগৎ-শাগৎলিবশিং লোইশিন্নবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :**

মতম খরগী মমাঙদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শরুক অমা ওইরিবা থাঙ্গাল কৈথেলদা মফম অসিগী লম্বী য়াওনা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং ঙসি অয়ূক চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা থবকশিং অসিবু পাঙথোরক্লিবা মরী লৈনবা ওফিশল অমসুং ওথোরিটিশিংদা অথুবা মতমদা থবকশিং অসি মপূং ফানা লোইশিন্নবা অকনবা পাউতাক পীখ্রে।



ঙসিগী চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎতা এম এল এ নিসিকান্ট সাপম অমসুং কে ঐচ জয়কিষণসু লোয়নখিবগা লোয়ননা পি দল্লিয়ু দি, মাহুদ অমসুং আই এম সীগী ওফিশলশিংসু য়াওখি।

শেমগৎ-শাগৎলিবা মফমশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা হকথেংননা চৎতুনা থবকশিং অসি য়ারিবমখৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## লিটানদা কাঙলূপ মশেল ওনশিন্নদুনা খূৎ থোক্লখ্রে পুলিস পর্সনেল ৪ অমসুং মীচম ৩ শোক্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা লিটান পুলিস ষ্টেশনদা কোনবা মফম অমদা কুকি-জোগী মীওই খরদা টোর্চ লাইট কাপশিল্লকই হায়দুনা তাঙ্খুলগী মীওই অমা কুকি নহা অহুম্না য়াম্না থীনা ফূরকপদগী শোক্তুনা য়াইঙংপোকপী প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রবা মতুং ঙসিসু নুংথিলদগী হৌরদুনা নুমিদাং ফাওবদা ফূরুপ অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লা ফূনরকপদগী পুলিসনা লাকশিন্দুনা খামদোক্নবা হোৎনবদা লিটান পি এসকী পর্সনেল মরি শোক্লে অমসুং কাঙলূপ অমগী মীওই অহুমসু শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

ঙরাংগী থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা ফূরুপ অনীমক্কী লুচিংবশিং অমসুং সী এস ওশিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্নবগীদমক ঙসি নুংথিল পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখি। অদুবু ৱারী শানবা অদুদা লৈখাই তানা য়াশিন্নবা পুরক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা মনাক নক্লা লৈবা চীংদগী নোংমৈ

### উখ্রুলগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭তগী মতম কক্তনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রে



মরূ খরা কাপথোরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা ঙরাংগী মতৌগুম্না অমুক হন্না ওনশিন্নদুনা খূৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## য়ু কে এল এনা দেপ্যুটি সী এম নেমচা কিপগেন ১সুং এম এল এ খৌতে ১দি ঙুরসাংলুরবু ফেব্রুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা রিজাইন তৌনবা খঙহনখ্রে:এজেন্সী

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :** পাউগী এজেন্সী অমা ওইরিবা 'দি নোর্থ-ইষ্ট পোষ্ট' না তৌরকপা রিপোর্ট অমদা য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেশন আর্মি (য়ু কে এল এ) না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরবা নেমচা কিপগেন য়াওনা সিট্টিং এম এল এ অহুমদা অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী ফমশিংদগী রিজাইন তৌননবা খঙহল্লক্লে হায়রি।

এজেন্সী অসিগী পাউনা হায়, ঙরাং য়ু কে এল এনা মসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ৱারোলনি হায়দুনা থোক্লকখিবা চেরোল অমদা মণিপুর লৈঙাক্লা কুকি-জো মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌরে হায়দুনসু অনৌবা লৈঙাক্তা মরাল শীরকপগা লোয়ননা লালহৌলূপ অসিনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরবী নেমচা কিপগেন অমসুং এম এল এ, এল এম খৌতে অমদি ঙুরসাংলুর সনাতেবু কুকি-জো কন্সটিট্যুএন্সিশিং মীহুৎ ওইবগী মথক্তা ষ্টেট লৈঙাক্কা খূৎশম্নে হায়না মরাল শীরক্লে হায়রি।

লালহৌলূপ অসিনা 'ফাইনেল ৱার্নিং' নি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা মখোয় অহুম্না থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী ফমশিংদগী রিজাইন তৌগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### ঈ ঈ অমগী য়ূমদা গ্রেনেদ পোকখায়হল্লম্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস):**



ঙসি নুমিদাং-ৱাইরম পুং ৫.২৫ রোম তারকপদা শীংজমৈ পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়দা লৈবা লৈঙাক্কী রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (আর ঈ দি) গী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়র পুয়াম রাজেন্দ্রো (৪৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা পি গৌরগী য়ূমদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### খূৎশু-খূৎলায়শিং ফাগৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ত্রোল রুমদগী ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা তেংনৌপল পি এসনা কোনবা মোলনোম-মোলনোই খুল অমসুং অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদগী এ কে রাইফল অমা, পিষ্টোল অমা, ইমপ্রোভাইসদ্ মোর্টার অনী, সিঙ্গল বেরেল অমা, লাইঙ ইমপ্রোভাইসদ্ মোর্টার বোম অনী, ৭.৬২ এম এমগী মরূ ১০, আই ঈ দি ১৪ অমসুং আই ঈ দিগী ৱায়রশিং ফংলে হায়রি।

অদুম ওইনমক আই ঈ দি ১৪ অমসুং আই ঈ দিগী ৱায়রশিং অদুদি লৈরম্বা মফমদা মী শোকহন্দনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

### পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা কাংচুপ পি এসনা কোল্লিবা ওলমুন, সোংলুং অমসুং লাংজোলগী একর ২৭ চাউবা মফমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎখ্রে। অদুগা মফম অদুদা লৈরম্বা থুম বোরা অহুম, হার বোরা মঙাসু মাঙহনখিবগা লোয়ননা কেনবো বাইক (টু হ্বিলর) অমসু ফাগৎলক্লে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## এম পি এগী ৩৯শুবা মপোক কুমওনদা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মিলিটরি এফেয়রস কম্মিটিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ :** য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী লান্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মিগী ৩৯শুবা মপোক কুমওনগী মাঙওইননা কোইরেংনা লুচিংবা লালহৌলূপ অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মায়কৈদগী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) এম শকহেনগী চেরোল অমনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৬ নিংথৌকাবা নুমিৎ অসি য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী লান্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মি (এম পি এ) গী ৩৯শুবা মপোক কুমওন নুমিৎনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা য়ু এন এল এফ মিলিটরি এফেয়রস কম্মিটি (এম এ সী) না ইরৈচা পূম্নমক্তা ইকায়খুম্নজবা লোয়ননা য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। লোয়ননা এম পি এগী মপোক কুমওন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পুথোকচবা য়ু এন এল এফ-এম এ সীগী ৱারোল ইরৈচাশিংগী মফমদা থমজরি হায়রি।

য়ু এন এল এফ-এম এ সীগী কুম্মসিগী ৱারোল অসি ইরৈপাক মণিপুরদা অমদি ৱেসিয়াগী অকোয়বদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা হৌখিবা চহী খরসিদা হোংলক্লিবা ফীভমশিং অমসুং মসিনা পুথোরক্লিবা মিলিটরি সিচুএশন অসিদা মায়ওন থমজগে। মসিদা ইরৈচাশিংনসু ৱাখল থাদবীয়ু। ...মখা লমায় ৮ কলম ১

## এম পি এগী ৩৯শুবা মপোক কুমওনদা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মিলিটরি এফেয়রস কম্মিটিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ :** য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী লান্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মিগী ৩৯শুবা মপোক কুমওনগী মাঙওইননা পাম্বৈনা লুচিংবা লালহৌলূপ অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মায়কৈদগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটরগী চেরোল অমনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরৈবাক ইরমদম অসিগী নীংতম লানগী পুৱারীদা অঙাংবা মচুনা ইদুনা লৈহৌরগদবা কোরৌ নুমিৎ ৯ ফেব্রুৱারী, মণিপুর পিপলস আর্মি (মণিপুর মীয়ামগী লান্মী) গী মপোক কুমওন নুমিৎনা লাকপদা কথোকপদনা মাঙ থাদুনা লাকখ্রবা পার্টিগী লুচিংবশিং, কাদরশিং খুদিংমক্কী মফমদা লালহৌলূপ অসিগী মিলিটরি এফেয়রস কম্মিটিনা ইকোক নোঞ্জবগা লোয়ননা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীজরি হায়রি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা নুংশিখিবা অথৌবা য়াওল্লোইশিং অমদি য়েক্লবগী মীওৎ-মীনৈদা ৱাখলগী অমসুং হকচাংগী ফিভম শোয়নাইহন্দুনা হিংলিবা এম পি এগী ইতাও খুদিংমক্কী মফমদা পার্টিনা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ইকায়খুম্নবা উৎচরি। মখোয়না কথোকখিবা ফিদমশিংসি ...মখা লমায় ৮ কলম ৫

### লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলোগী ফিচর ফিল্ম পুথোকখ্রে

## নাওরিয়া ফুলোগী অহানবা ফিল্ম অসি নৈননীংঙাই ওইরে : এম পি বিমোল

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :** শীংজমৈ ৱাংমা ভৈগ্যবতি লৈকায়দা লৈবা হৈগ্রুজম ফিল্ম প্রদক্সননা পুথোকপা মীতৈশিংগী লাইনীং লীচৎকী হৌরকফমনি হায়নসু লৌনরিবা লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলো হায়না মিংথোনবা মণিপুর ফিচর ফিল্ম অমা ঙসি নুংথিল পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম এস এফ দি এসকী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা চীং লেম্লবা থৌরম অমদা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা রিলিজ তৌখ্রে।

থৌরম অসিদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চেয়রমেন কে ঐচ কুলেশ্বর, মণিপুর ষ্টেট সোশল ৱেলফেয়র বোর্দকী চেয়রপর্সন ওইরম্বী ডা. আর কে নয়নসনানা মথংশিংনা ময়ায় তাংবল লৌরগা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

ফিল্ম অসিবু মীয়ামদা ফোঙদোক্লদুনা এম পিনা হায়, মীতৈগী ওইনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম কয়া নম্বদি লৈখ্রে। ফিল্মশিংদুগী মনুংদা শক্ল ইরবা থিএটর পর্সনেলিটি রতন থিয়াম অমসুং মিষ্টর মায়পাকসনানচিংবগী পুথোকখ্রে। অদুবু মণিপুরগী পুৱারীদা লাচনখ্রবা নুপা অমগী ফিল্ম পুথোরকপসি ঙসি রিলিজ তৌরিবা ফিল্ম অসিনা অহানবা ওইরমগনি খল্লি হায়খি।

এম পিনা মখা তানা হায়, নাওরিয়া ফুলোগী ৱারী লীবদা নৎত্রগা নেরেশন ওইনা ফিচর ফিল্ম পুথোকপদা মীনা হংনগনি। কলচরগী ওইনা নল্লিব্রা নৎত্রগা ফেমিলিগী ওইনা নল্লিব্রা হায়বা ৱাফম লাক্কনি। মী ওইনসু উবা, লাই ওইবদসু কায়দব্রা হায়গনি। হৌজিক্কী ওইনা সিনেমাগী লম্দসু অচৌবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## আই দি পি ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতা লৈহল্লকপা চহী অহুম শুজিল্লক্কদৌরবা অসিবু লৈঙাক্লা ঐখোয়গীদমক করিসু খন্দবগীরা : কুমার

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী নাগা খুনৌদগী খুঞ্জা**

(হান্নগী মখা...)

হৌজিক ফাওবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা মে ৩, ২০২৩দগী তমথীরবা লান হৌরকখিবদগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাগা খুনৌদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক চহী ৩ শুজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা মশাগী চহী ৭০ রোম শুরবা মোইরাংথেম কুমারনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী করি এজেন্দা লৈবনো, রিলিফ কেম্পতা অদুমক থম্লগদি অপীকপা অঙাংশিং অসিগী তুংগী লাইবক করি ওইহৌগনি। ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ইশাগী য়ূম্ফমদা ঐখোয়বু হঞ্জিন্দুনা চঙহনবীরো। ঐখোয় মণিপুরদা রিফ্যুজি নত্তে। মরম অসিনা ঐখোয় রিলিফ কেম্পতা মখা তানা লৈনীংদ্রে।

লান হৌরকখিবা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩ অদু ঐহাক য়ূমদা ইম্ফোলদা খারিবা শম্বল-লুকপল য়েংশিন্দুনা লৈবা মতমনি। রেল্লি অমা চৎলি হায়বদি তাখি। অদুবু রেল্লি অদু করিগীদমক চৎলিবনো, রেল্লি অদুনা করি দিমান্দ তৌবনো হায়বদুদি কূপ্না খঙখিদে। নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুররোমদা ঈরাং থোকই হায়নসু তাখি। অদুবু করিসু থৌশারুদে। চুড়াচান্দপুরদা থোকপা ঈরাং অদুদি ঙাইহাক লৈরগা অদুমক লোইশিনখিগনি হায়না খন্দোকখি। হান্নদগী হৌনা কুকিশিংগা কৌন-ঙাঙনদুনা হিংলকপনিনা ঈরাং থোক্লে হায়বদুদা কুকি অমদা হংলুবদা মহাক্লা চুড়াচান্দপুরদা ঈরাং থোকপনে, মী শিবা য়াওবা মাল্লি হায়রকখি। মদুদা কাংপোকপীদসু ঈরাং থোরক্কদ্রা হংলুবদা কুকিগী নুপা অদুনা তৌরক্লোইদা, অদুম লৈয়ু, কৈসু তৌরোই, ঙাইহাক লৈরগা লোইশিনখিনি হায়রমখি।

অদুবু ঙাইহাক লৈরগদি ঈরাং য়াম্না কনশিল্লক্লে হায়দুনা শাফগদবা মফমদা লাঞ্জেন্নবা হৌনরে তাবদগী ঐহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি য়ূমলোন্নবশিংগা ঐখোয়সু খোঙনা য়ূম থাদোক্তুনা চেনবা হৌরকখি। অদুগা নাগাগী খুলদা চেনশিন্দুনা নুমিৎ নীনি চঙজফম লৌদুনা লৈখি। নুমিৎ নীনি অদু নাগা ফূরুপকী ইচিন ইনাওশিংনা ঐখোয়বু চেকশিন্না ঙাক শেনবীখি। (মথং-মথং)

## ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা লৈঙাক্লা হোৎনবদা কোংগ্রেসনা অঙম্বা মতেং পাংগনি : ডা. লোকেন

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :** অনৌবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা মহৌশাগী ফীভম মপূং ফানা হঞ্জিলহল্লক্লবা হোৎনরকপদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী খেন্নবা থমদনা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না শগোলবন্দ এ সীগী হান্নগী এম এল এ ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি শগোলবন্দ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সকা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসিগী লৈঙাক চাওথোকপদা মণিপুর অসি অমত্তা ওইনা পূন্না উবা ঙম্বা এম এল এশিংদা মিনিষ্টর পীবা য়াম্না মথৌ তাই। মণিপুরদা চহী অমরোম প্রসিদেন্টস রুল থম্লুরবা মতুং অদুগা মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা ঈরাং অসিনা চহী অহুম ফারক্কদবা থা খরদা ঙাইরক্লবা মতমসিদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক লৈরকখিবা অসিদা য়াম্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫